ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ১২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৫৮শুবা মশীং

# নুপীলাল নীংশিং নুমিৎ

## নুপী খুন্নাইবু মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি

**ঙসি** নুপীলাল নুমিৎনি। নুমিৎসিগী থৌরমশিং য়াম্না পাক-শন্না মণিপুর অমসুং মপানগী মফম কয়াদা তোঙান-তোঙানবা লূপ ময়াম অমনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগদৌরি। লূপ কয়া অমনা নুমিৎসিবু *নুপীগী নুমিৎ* হায়না কৌদুনা হৌখিবা চহী কয়াসি থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ষ্টেটকী থাক্তা ওফিসল ওইনা অমদি লন্নাই ওইনা থৌরমশিং পাঙথোক্লবা শেম-শাবা পুন্নমক লোইখ্রে। নিংশিংবা য়াই, মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীলাল অনীরক থোকখ্রে। খৃষ্ট কুমজা ১৯০৪ গী মার্চ ১৫ গী অহিংদা কেপ্টেন ন্যুটন অমসুং মিষ্টর দন লিপকী বঙ্গলো তুম্না মৈ চাকখি অমদি চহী অসিমক্কী ওগষ্ট ৪ গী অহিংদসু ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র ওইরিবা মিষ্টর মিটচেলগী ওফিস অনী লৈবা বঙ্গলোবু তুম্না মৈ চাকখি। বৃটিশ পোলিটিকল ওফিসরশিংসিগী য়ুম মৈ চাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মৈ অদু মীতৈশিংনা থাবনি হায়দুনা খৃষ্ট কুমজা ১৮৯২ দা মুখুৎখ্রবা লাল্লুপকী চৎনবিবু অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্দুনা কবো তম্পাক্তগী মীতৈ নুপাশিংনা চিংসু/টিক লৌরুরগা চাকখ্রবা য়ুমগী মহুৎ শীন্দুনা অনৌবা অমা শানবা থৌরাং তৌরকপদা মদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা ঈহৌ অমা চঙশিল্লকখি। ঈহৌ অদুবু ঐখোয়না ঙসি ফাওবা অহানবা নুপীলাল হায়না শিংথানরি। ঈহৌ অদু মতমদুদা লৈঙাক-লৈশেম অমসুং ৱায়েন থৌদাগী চুপ্লি হকথেংননা পায়শিনখ্রবা বৃটিশকী মতীক ময়াইবু মণিপুরগী নুপীশিংনা শীংনবগী শিংথানিংঙাই ওইরবা থৌদোক্লি। অনীশুবা নুপীলালনা খৃষ্ট কুমজা ১৯৩৯ গী দিসেম্বর ১২ দগী থোকপা হৌখি। লান অদু মরু ওইনা মারৱারি লল্লোনবশিংনা মণিপুরগী চেঙ মপানদা থাদোকখিবদগী লমদমসিগী কৈথেলদা চেঙ ৱানবা ফংদবদগী থোরকপনি হায়রগসু তশেংবদি থৌদোক অদু লোয়লম লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌবা নুপীশিংগী লাননি।

ঙসিগী নুমিৎ অসিবু নুপীলাল নিংশিং নুমিৎ হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা থৌরম পাঙথোক্লগদৌরি। পুৱারীগী লৈমায়শিং হঙ্গৎনা ফাকৎলগা কুমজা ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীশিংগী অকনবা ঈহৌশিং অদুখক্তবু নৈনবগী মতম নৎত্রে। পুৱারীগী মচাক ওইরবা থৌদোকশিং অদু কমদৌনা থোকখিবনো, করিগী থোকখিবনো হায়বদগী হৌরগা হৌজিকসু অহুমশুবা নুপীলাল অমগী তঙাই ফদবদু নুপী পুন্নমক্না খঙমিন্নবগী তঙাই ফদবা লাক্লে। অফস্পানা লমদমসিগী নহা ওইরিবশিংগী পুন্সিদা চৈথেং পীখিবা লোইখ্রে হায়না খল্লিবশিং অদুসু অরানবনি। মসিদি মতমগী খোঙলৈনা খজিক্তং থৈদোক্লগা থমখিবনি। হৌজিকসু সিফাইগী মীওৎ-মীনৈদগী হেন্না তমথিরবা থৌদোক কয়া খুন্নাই অসিদা লৈরি। খ্বাইদগী তমথিরবা থৌদোকশিংগী মনুংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা চহী নৌরিবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংদা মপান থোক্তনা লোন্না লান্দারক্লিবা অসিনি। দ্রগ লল্লোনবা অমসুং মীয়ামবু পংথহন্ননবা থৌরাংবদা লৈবাক অসিগী পোলিটিসিয়ন কয়াগী মচাশিং চেন্নরি। মীগী মমল খঙদবা, খুন্নাই অসিবু মহাম তাহন্নবা হোৎনরিবা কাঙবু অদুবু উরগা পুলিসনা সেল্যুট তৌরি। তোল্লবা মীচম মীয়ামগী ৱাকৎনা নাথৈরগা থল্লি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুরী খুন্নাইবু কন্নবগীদমক নুপী ওইবীশিংনা খ্বাংচেৎ মচি লাংবা মতম য়ৌরে। ইমা ওইবীশিংনা মচাশিংবু কনবীয়ু। মদু নৎত্রবদি খুন্নাই অসি নোংমদি হিংনা-হিংনা শিবগা মান্নরগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ঙসিগী মণিপুরগী চিরবা তানফমসিদা নুপীশিংনা অচেৎপা ফীরেপ অমা লৌদুনা অচেৎপা খোঙফমদা লেপ্তুবা য়ারক্তে। মণিপুরী খুন্নাইগী অয়াম্বনসু নুপীনা লিংবা খুন্নাইনি। ইমুং খুদিংমক্তা নুপীশিংনা চোংথোক্তুনা মাঙজিন থাই। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিগী ফিবান্নুংদা পংথরগা লৈরগুমসি। ঐখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংনবা, মীপান তাংদবা খুন্নাই ওইনবা ইমাশিংনা খ্বাংচেৎ মচি লাংবীরো।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## চাক চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**কংলৈপাক** মণিপুর ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রাজ্য কয়াগা চাংদম্নবদা থোইনা শোত্থবা লৈত্রবা অসিমক্লা হন্দক্কী মালেমগী ওইবা চহী ১৭ মখাগী শান্নরোয় খনবদা ইরমদমগী শান্নরোয় নিপান খনবীদুনা মালেমদা অমদি রাজ্য খুদিংদা লৈপাক্কী ওইবা মীংচৎ কয়া থন্বীখ্রবনি। অদুদা নত্তনা অতৈ ইভেন্ট কয়াদা অরুম্বা থাঙ্গৎপদা, হোকিদা, টাই ক্বান্দো অমদি বোক্সিংদা মালেমদা ফাওবা মমিং থম্বা ঙল্লিবনি। অদুগী মথক্তা হন্দক চহীগী অর্জুন এৱার্দ অনী ফংখিবা মদুনা ইন্দিয়াগী রাজ্য অতৈনা কলক্লরিবা অমুক্কসু মণিপুরগী কলা সংস্কৃতি অমদি জগোয় ঈশৈ অমদি মীতৈ পুং অমদি ধুলোক টন চোলোম্না মালেমদা মমিং থকহনখিবা, অমুক্কা মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈ অমদি সিনেমানা এৱার্দ কয়া ফংদুনা মালেমদা শক তাক্লি। মসিদা নাকল অমরোমদনা অৱাং নোংপোক লমদমগী নহারোল কয়ানা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈদুনা থবক ইনখাং কয়া তৌনরি। মসিদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লম্বীদা হুই অমদি উচেক কয়া মপূ পান্দবগুম মরাং কায়না লৈরিবনি। অসিগুম্বা লৈরিবা জিব কয়াসি অৱাং নোংপোক মচাশিংনা মী উদবা তাঞ্জা লৌদুনা হাৎতুনা চাবনা মরক মরক্তা উহৌবা য়াওদুনা ৱাথোক কয়া থোক্তুনা অৱাং নোংপোক মচাশিং অসিবু হন্থবা থাক্তা চেন্থহনবা অসি অৱাং নোংপোক মচাশিং অসিদা মণিপুর য়াওনা মমাইদা অমুবা হামুক তৈশিল্লি। অশোমদা লৈবা নহা কয়াদি ষ্ট্রিট দোগ অমদি উচেক কয়াশিংবু অপনবা পীরুবগী ৱাখল লৈতবনা ঐখোয়গী অৱাং নোংপোক্কী নহানা চৎলিবা চাকচা য়ুথক্কী মওং অসি মীনা নোক্লফম অমদি পংচা চাবা পংথক থকপা মীওই ওইনা লৌবা অসিনা ঐখোয়বু উশিৎতনবা মচাক অমা তৎতনা পীরি। মসিদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা মফম খরদা লৈরিবা ষ্ট্রিট দোগ ময়াম অসি ফারগা পুদুনা অৱাং নোংপোক্তা থাদোকপনা ফারগনি হায়খিবা ৱাফম য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। মসিদা ঐখোয়না শাওফম লৈতে। তশেংনা মীওইবা ঐখোয়না চারিবা চিঞ্জাক অসি ঙসিদগী চহী লিশীং অনীগী মথক্তা পংচা চারম্লবসু ঙসিগী অসিদদি মদু য়াম্না চুমদবনি। মরুওইনা চাকচা য়ুথক্লা মীগী মগুন লেপকদবনি। চানীংই থকনীংই হায়দুনা পংচা চাবা, পংথক থকপা য়াদে। ঐখোয়গী অসিদসু চহী হায়বা থিদনা পংচা চাবা, পংথক থকপা অসিনা ঐখোয়গী পূক্লিং হকচাং মোৎহনবা অসি ঐখোয়না মদুদগী নাথৈনবা হোৎনফম থোকই। অদুগী মথক অৱাং নোংপোক মচাশিং মরুওইনা মণিপুরগী নহা কয়ানা মপানগী লমদা হিংনবা থবক কয়া শু-নোমদুনা লৈবদি কায়দে। অদুগা চাকচা য়ুথক্তা পংচা চাবা, পংথক থকপা অসিদি অফবা নহা কয়া অসিগী মীংচৎ মাঙনবনি খনবীবা চুমগনি। অসিগুম্বা অচৌবা রাজ্য অসিগী মায় কয়া পুরক্লিবা হীরম খুদিংগী নহা কয়া অসিবু য়োকখৎপদা চিঞ্জাক্লা ফৎতবা তৈশিনবা ফত্তে। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী নহাশিংনা ফৎতবা চিঞ্জাক চাবা অমদি থকপা তোক্তুনা ঐখোয়গী ঈজৎ কনবদা অচৌবা মতেং ওইহনসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। অসুম্না কাঙবু খরনা চাকচা য়ুথক চুমদনা অৱাং নোংপোক লমদম মরু ওইনা মণিপুরীবু জঙ্গলদগী থোরকপা কুইদ্রিবা ওইনা লৌরিবা অসি ঙসিগী মপান লমদা লৈবিরিবা নহাশিংনা খরা খন্থহন্নীংই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, ককচীং খুনৌ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১। মখাদা পীরিবা ৱাহে অনীসি থায়না কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙ অনীগী মমিংনি। মথৌ করি করিনো? তেন্না হায়য়ু:
(ক) চৈরাপ (খ) গারোৎ।
২। "সনামহী ঙৌবরেন/ফূহিং সনা লাইজরেন/শনজিং ফম্বাল মহীরেন।" পরেংশিংসি লাইনিংহল ফুল্লোগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।
৩। কুমজা ২০০৩দা ঐখোয়গী খোরিরোলদা নেপালি অইবা অমনা 'কোরৌগী মশেক মঙাল' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা খুদোল তল্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "মুতুম দেবলাগী 'রোমিতা' না থেংনরিবা সমস্যাসি হৌজিক্কী অনৌবা নুপীগী সমস্যানি।" ৱাফমসি ক্রিটিক অমনা হায়বনি। দেবলাগী উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। কুমজা ২০১১দনা ত্রাইবেল অইবা অমনসু 'ঈচেলনা কংলবদি কোঙ্গোলসু তাকখিনি" কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোক্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অনৌবা লৈঙাক লাকপদা !

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৬৮

**জিতেন নামৈরাকপম**

**ইথা** থাজদনা পোইনু থা অসিদা নোংজু থাগুম অতিয়া মথক্তগী লেপ্পা খম্বা নাইদনা লাইজ ঈশিং ফজনা হৈথেরক্লি। মোন্সুন রেন, জুন, জুলাই, ওগষ্ট অদুৱাইদা অখাক অরাউগা লোয়নননা হৈথেরকপা অদুমক্তি নত্তে। বে ওফ বেঙ্গলদগী হৌরকপা রেন বিয়ারিং ৱিন, শাথিখ্রবা নুংশিৎতু পুরগা নৈখায়রগে, ওৎখায়রগে, য়ূম-কৈ কয়া হুমদোকখ্রগে, অচৌবা উ পাম্বী কয়াসু মরূ ফুক্তৎলগা লংথোকখ্রগে হায়না লাকপা মণিপুরগী খা নোংচুপ্তগী হৌরকপা নোংজুমক্তি নত্তে। লাক্লিবা মায়কৈবুদি চুম্বা অদুদা নোং চুবগী মতমদু খেন্নবখক্কী ৱাত্তনি। হৌজিক চুরিবা নোংজু অসি রিত্রিটিং মোন্সুনগী নোংজুমক্তু নৎত্রি। ৱাকচীংগী নোংজুসু নত্তে। হন্দক্কী চহী অসিদা ঈশিং ঈচাউ ৩/৪রক থোকখ্রবা তুংদা লৌরোক থা অসিদা ঈচাউ অমুক থোকহল্লগদ্রা হায়বগী কিবা অমদুম য়াওশিল্লকই।

হন্দক্কী য়াম্না ফরক তানা চুরক্লিবা নোংজু অসিদা লৌয়ে পম্বা অসিদা ফৌবোম ফৌবোমশিং অদু ঈশিংদা তিংদুনা ময়োন থোক্তুনা মাঙখ্রদ্রা হায়বগী মীপাইবা ফাওরকই। হন্দক্কী চহী হায়রেদনা লোইশিনখিগদবগী থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরবা কুমজা ২০১৭ হেক হৌরকপগী হাপ্তা ফাদ্রিঙৈদা য়াম্না কনবা য়ুহা হাখি। ইপিসেন্তর, ফোকসনা তমেংলোংগী মফম অমদা ওইখি। রিক্টর স্কেলসু ৭ য়ৌগে তৌব্রা, হেনখিব্রা তৌখিবনি। অর্থক্কেক ভোলকেনোগী মতাং য়ৌরকপদা ওজা ইমোতোম্বী নীংশিংলকই। ওজা ইমোতোম্বী য়াইস্কুলগী লৈরক মনুংদগীনি। লৈকায়বুদি কাউখ্রে, দি এম কোলেজগী জিওগ্রাফিগী ওজানি। ওজানা হীরম অনীসিগী মতাংদা মমুৎ তানা তাকপীখিবনি। মালেম পৃথি মানা অখাক অরাউগা লোয়নননা মথক্তগী খেকথরকপা, ফোলদিং, ফাউল্টিং, টাইটোনিক মুভমেন্ট তৌরকপদগী মনীং-মমাঙ, খা-অৱাং ফৈনা য়ুংনা চিংলকপা, ৱাংনা-ৱাংনা ফজরে খন্না শারিবা বিল্ডিং কয়া নিংখাইরক্কদৌরিবনি। নুংঙাইরে, ফজরে খন্না শাজবা য়ূমনা নল্লগা শিখিবা মীওই লিশীং লিশীংনি, লাক্ষকী মথক্লি। মণিপুরদা কুমজা ২০১৭ হৌরকপগী য়ুহা হারকপদা ইশামকসু খংপ্রেক খংখি। মতমদুদি ঙল্লিঙৈ অয়ূক অদু য়াহৌদ্রিঙৈ মতমদা হিপ্লিবা ফমুং অদু ফৈনা-য়ুংনা চিংলকপা, লোক্তাক পাৎতা হি তোংবদা ফেরে-ফেরে হাইবগুম হাইখি। মঙওই-হাওই পংলাউদা লাউনরকপা মখোল তাখি চক-ঙা, চক-ঙা! লাইবক থীরবা থৌদোক অদুদা মীওই খরা লৈখিদবা য়াওরগসু মশীং কা হেন্না য়াম্বা হায়বদুমক্তি ওইখিদে। লাইবক ফবনি। অদুবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেল ফি য়োনফম ওইবদু চেকখায়রকখি। হৌজিক ফাওবা ফি য়োনবীশিং চঙনদ্রি। ফি য়োনবী ইমা ইবেলশিং মফম হোং হোংদুনা ফম্বা পোৎফম ফম্ফম লৈতবগী অৱাবসু খাংবগী মথক্তা কুমসি চহী অসিদা অৱা অনা নংবগী পাউদম তেনখ্রবা কোলম অসিদা ইবদা লোইবা নাইররোই।

অদুবু মশীং য়াম্বা মণিপুরগী মীয়াম্না হরাউনৈ। অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লে। মণিপুর চাওখৎলনি নুংঙাইরনি। চহী তরামঙা মনীং তম্না হাইনা হুম্না পাল্লম্বা কনাগীসু মৱা লৌদনা মুকখায়রগা পাল্লম্বা লৈঙাক ইন্থুখ্রে। ৱাচৎ-ৱানোম, পৈশা চাবা, মীচঙ-শঙ্গ, অচৌ-অপিক য়াম্না খায়বা ঙকচাউ থেক্লা পাল্লম্বা ফুক্তোক্লগা ইন্থখ্রে হায়না হরাউনবা কয়া কয়ানি। অনৌবা লৈঙাক লাকপদা অওনবা খরদি পুরকই। পুরক্তে হায়বদি য়ারোই। পুরক্লিবা অওনবশিং অদুদি মথং মনাও নাইনা ইরুদ্রগসু পাবিরিবশিংনা হেন্না খঙবিরবনি খঞ্জে। ঐখোয়সু অওনবা খরা পুরক্তুনা অচুম্বা-অশেংবা, মীনম্বা ঙাঙবা য়াদবা হীরম খরা পুরকপদা নুংঙাইবা ফাওজে। হায়নৈ ঙাঙনৈ, হন্দক্কী লৈঙাক অসিদি মতা অমনি, অচুম্বা তৌবা হৌরক্লে। বন্দ ব্লোকেদ হাংদোকহনবা ঙল্লে। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা চঙদুনা কেবিনেট মীফম ফম্বা হৌরক্লে। অচৌ অচৌবা পেকেজ কয়া লাউথোক্তুনা শেমগৎ শাগৎপা হৌখ্রে। ফেষ্টিবেল কয়া কয়াসু পাঙথোকপা হৌখ্রে। মীয়াম পূম্নমক হরাউনরে। চীংমী তম্মীগী মরক্তা লৈরম্বা গেপ মেনশিনহনবা ঙল্লে। ঐখোয় পূম্নমক ইচিন ইনাও ঙাক্তনি। হৌখিবা মতমদা লৈরম্বা নুংঙাইনদবা অমাং-অশেং খায়নরম্বনচিংবা পূম্নমক কাউথোক্লদুনা অমত্তা ওইনা পূনশিনবা, নুংশিনবগী লীচিংনা পূনশিনবা হৌরক্লে। য়াম্না ফবা, মীয়াম পূম্নমক্না হরাউনবা মতমনি।

অদুবু হংনরক্লিবা ৱাহংদি অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদা ঐখোয় মীচম মীয়ামশিংগী পুন্সি মহিংদা কয়া য়াম্না নুংঙাইরবগে হায়বসিনি। থবক ফংদবা, শুফম নোমফম লৈতবা, হায়দা হায়জিল্লুরগনা থবক শুনীংদ্রিনি, অঙাউ-অফৈনি, মী ওইদবা কাঙবুনি, মৱা লৌরুনু হেক হায়বীবা। লাইরিক্তি তমশিল্লুরে, বি এ, এম এ এম এস সী অদুদগী মাষ্টরদা মাষ্টর ওইরে। পি এচ দি, দোক্তরেট ফংবা ধমাদা লৈরে মণিপুরদা। তৌফমসু লৈতে, থবকসু ফংদে। দিগ্রীগী ওনর্স ফংলে, য়ুনিভর্সিটিদা তৌবা য়াবা তৌরে মাষ্টর হায়বদু ওইরে অদুগা মাগী চঙফমদি লৈত্রে। থবক ফংদ্রে, শেল লৈতে, নুপী ফংদে হায়বা মমল য়ামখ্রবা ওজা, অইবা য়ূল্লেন্সম ইবোচাগী ৱাহৈশিংদু নীংশিংলকই মতাং অসিদা। এম এ পাস তৌরগা রিক্সো থৌরুসো, শেল তাল্লুসো শুনীংদবা নঙ, হজামগী মহুৎ শিল্লু শম ককপা মী অমদা লুপা ৩০ ফংবনি। মুচি ওইরবসু য়াই। খোঙউপ কাপ থাবদা, ফোৎপদা, নপ্পদা শেল য়াম্না ফংবনি, কৈথেল মচি মচিদা পংফম ফমউ, শুবা নোম্বা তনগনু, শেল অদুম লাক্কনি হায়বা ৱাহৈশিংসি মরাইবক ফবদগী, দাউ য়াবদগী লৈঙাক্কী থবক ফংখ্রবা, তলব চারবা নৎত্রগা করিগুম্বা হীরম অমদা চানরুবদগী ৱাৎত-পাদনা হিংজরবা মীওই খরনা হায়বগী ৱানি। মণিপুরদা থবক ফংদবা মীওই লাক্ষ নিপানগী মথক্তা লৈরে হৌজিকমক। বি এ, এম এ পাস তৌরুরগা ভোকেশ্নেল ত্রেদ অমত্তদদি হৈরক্ত্রবা-খঙলক্ত্রবা কাঙবুদা ওক লোইয়ু, য়েন লোইয়ু, খোঙবালদগী পাঙখোকলা কল্লগা ওক্কী ধানা থোংউ হায়রুবদা য়ারক্কদবা, ষণগীসু মঙাই শজিক ফাল্লুসো হায়রুবদা হরাউনা 'সার মদু ঐনা খ্বাইদগী পামজবনি' কা হায়গদবা মীওইসি টু হন্দ্রেট পার্সেন্টকুম্বদি য়াওরোইদ্রা খঞ্জে। অদুননি মণিপুরদা য়ু থকপা তৌফম খঙদবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবসি। হায়রুবদি নঙনা হায়রিবদু নৱা লৌদে হায়রকপসু য়াই। তৌবতবু অইবা ইশামক্না কোয়না চৎতুনা পাউ লৌরুবা, থেংনরুবা, উনরুবা মতমদা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈরম্বা মীওই লিশীং লিশীং থেংনরকপদগী শুপ্লতগী পাউদমজবখক্তনি।

অমুক্কসু হায়রকখি থেংনরকপা মীওই অয়াম্বনা। মোদিজিগী লৈঙাক, থম্বালগী লৈঙাক, শোমদনা হায়বদি মণিপুরদনা ককা বিরেনগী লৈঙাক হায়বা তারে (হৌজিকমক চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর অসি অইববু পোকপীবা ককাগী মনাও অতোম্বা ককা তোম্বা মতম অমগী ফুটবোল ষ্টার ওইরম্বগী নুংশিনরবা মরুপ ওইরমখি হায়বা পাউ তাজখি)। বি জে পি লঙাক লাক্লে নুংঙাইরনি হায়রম্বদু খ্বাইদগী নুংঙাইতবা তানফম ওইরে হায়নরি, ঙাঙনরি। য়ূম চাউনা চাউনা শাবা ফজবা নিংথিবা, আর্টিফিসল ষ্ট্রকচর ঙাক্তা শেমগৎ-শাগৎলগা লায়রবশিং নুংঙাইবা ফাওদে। মদুদি নুংঙাইবা মীওই খরখক্লা নুংঙাইজবগী ৱানি। নোংমগী চরা অনী শুনা চাবা ফংজদবা মীওই মণিপুরদা অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। ঈজৎ ঙাকপদা ফিরোল নান্না শেৎলগা লাকপা, সঙ্কীর্তন ময়ায়দা শেল ধমাদা থাদোকপা, পোৎয়েং চামঙা লিশীং পীনবা হোৎনবদা নুপী অঙাংগী সনা খুজি, লিকফাং পরেং বন্ধান থম্বা, ময়ূমদা চফু উয়ান মিরাং কাবা ইমুং কয়া য়াওনরবনি।

কনাগুম্বনা হায়রকই-নুংঙাইরে বিরেনগী লৈঙাক লাকপদা হঙ্গাম মপুলদা লুপা ৩০দা লৈরে। জি এস টি হৱাই থরাকসু য়াওরব্রা, হৱাইমুবীসুনি কেজিদা লুপা ১২০ পীরে। সুপর ফাইন কেজিদা লুপা ২৩/২৪, তিলহৌ কেজিদা লুপা ৮০, খামেন অশিনবা পৱাদা ৩খক চল্লি লুপা ৩০ পী, নুংঙাই বিরেন লৈঙাক কায়দনবা হায়নবসু য়াওরি। মতাং অসি য়ৌরকপদা অইবসু ৱাখল তারক্তে, ঙাওগদৌরে।

# করপসন চাং য়াম্না হন্থহনসি -২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

**হৌজিক** মণিপুরগী ওফিস অয়াম্বদা তৌনরিবা শেল মচিৎ-মচিৎ লৌবগী চৎনবীসি মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরবনিনা থোয়না হায়দ্রবসু য়ারবা পোৎনি। অদুবু অচৌবা লোইশঙগী মশা অমত্তা ওইরগা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসশিংদা লৌরিবা শেলফমশিংদি থাগী ওইনা তুংশিল্লগা পারবদি মখোয় খরনা থাগী ওইনা ফংলিবা তলবশিংগা পংখেন খেন্নরোই। শুরিবা থবক্কী মখলশিংদি মান্নবা মক্তনিনা, শম্না হায়রবদা ইমান মান্নে হায়না থমজগে। ষ্টাফশিংসু ত্রান্সফর য়ানবা মক্তনি। তঙাইফদবা থবক অমমমগীদমক অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টতা অদুগা অমনা ইম্ফাল ইষ্টতা চৎলুবদা অহানবদা হরাউ হরাউ তৌরকই। অদুম তান্নবা য়াগনি হায়রকই। তান্নবা খরা হৌরক্লবা মতুংদদি মচিননা থোক্লা লুপা লিশীং মরিদংদি হান্না পীবিরো অদুগা থাখায় অমরোম লৈরগা পাম্বীরিবা দোক্যুমেন্টতু লৌবিররো অসিনি। থবক মখলদি করম করম্বগীনো খঙনীংবদগী হংবদা - রেজিষ্টর তৌনরগা লৈবা ইঙ্খোল অমগী ম্যুটেসন (মিং চংবা), পাট্টা অনৌবা শাবা, পার্টিসন (মেপ্তা ককপা) নচিংবা অপূনবগী ওইনা লুপা লিশীং অহুমদগী মরি অদুগা দিমার্কেসন (ফিল্ডদা চৎলগা ঙমখৈ তাকপা) মতমদনা লুপা লিশীং অহুমদগী মরি/মঙা ফাওবা, মরম অমগী নোটিশ থাবদনা লুপা চহুমদগীনা চামরি-চামঙা অদুগা অহল-লমনগী মিংদা পাল্লম্বদু মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মচাশিং নৎত্রগা পানবিয়ু হায়বা খরদা/অমদা মথৌ তাবা থবকশিংগীদমক্তসু মথক্তা হায়খিবসিগা হায়ফেৎ মান্ননা লৌনবগী পাউদম লৈ। য়াম্না ফজে, তাবদা য়াম্না নুংঙাই, চৎনদবীনা চৎনবীগুম ওইরকপসিদা। অইবনা করিমত্তা খঙদবা শাশিন্নরগা, অদুমনদি ওইরবদা লৌনরিবা শেনফমশিংসিদগী গভর্ণমেন্টতা টি আর কল্লগা কাগদবা শেনফম, কোদ ফি নপ্পগী শেনফমসু য়াওরবা নৎত্রা? হায়রিবা শেনফমসি খরদি য়াম্নদব্রা হায়না ইচম চম্না হংলুবদা মোং ইহা হাদনা অসুম্না অমুক হায়রকই, "ঐদা নত্তে, অতৈসু অদুম চপ মান্নবা মওংদা অদুম হায়রক্কনি। ঐনা পূন্না লৌবগী ৱাতনি, লোয়নমক য়েন্নগদৌরিবনি। য়েন্থোকখ্রবা মতুংদদি অদুক য়াম্না থুংনগদবা নত্তে। মসিদা য়াবিনংবা য়াবিনীংদবা হায়বদুনা অদোমগী অপাম্বনি" খল্লগা তৌবিরো অসি হায়রগা থবক লৈবা লৈতবা থোকপা অমা হেক্তা তৌশিন্নগনি। মতাংসিদা অমুক্তা খন্নদুনা য়েংসি। নোংমগী মদাউ ফরুরবদি নোংমদুদা লুপা লিশীং তরা ময়াদা তানবসি করিসু নত্তে। ইৱা-ৱাদনা অদুম তাল্লবনি। ৱাজাউনগা ঙাঙলিবা। ফরে ফরে শেনফমদু পীরগে হায়রুবা মতমদনা অমুক মখোয়না ওনখৎলগা ঐখোয়না ঙরাং নহাল হায়জবদুনি হায়দুনা অচুম্বা শাগনি। মসিনি প্রমান লৈতবা অরানবা থৌওং হায়বদু। করিগীনো হায়বদা মখোয়গী য়াম্না চুম্লবা ৱাফম খরদি - "ওফিসতা নৎত্রগা থবক ৱানোম্বগী শেল লুপা লাক্ষ লাক্ষ লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংদা পীনরিবশিংসি অদুগুম্বা মখলগী রিসিপ্ত অমত্তা পীনদে। রিসিপ্তা পীনদ্রবসু হায়রিবা শেনফমশিংসিদি অদুম লৌনবা মক্তনিনা কনাগুম্বা ওফিসসিদা খরা তোয়না লাকপশিংদি মশানা খঙনা পীনবনিনা ঐখোয়সু অদুম লৌই।" ঐখোয়সু থবক্তু অদুম য়ানবা হোৎনৈ।

মণিপুরগী মপান লমদদি হায়বদি খরা হেন্না লমসু চাউবগা লোয়নননা চাওখৎপা খরসু হেনবা ষ্টেটশিংদদি মী অমনা অতোপ্পা মী অমদা মতেং পাঙবীরকপদু মথৌমক ওইরবসু পেন্নবা তৌরকপা মতমদা খুদম ওইনা - লোদজদা হেলপর ওইনা লৈবশিং, রেষ্টোরেন্টতা/অচৌবা ষ্টার হোটেলদা ৱেটর ওইবশিং, রেলৱেগী ক্লোক রুমদা অমসুং ৱেটিং রুমদা মতেং পাঙনবা লৈরিবশিং - মখোয়না পীয়ু হায়না নিবা/হায়বসু নৎতবিদা 'টিফ' হায়দুনা বিলগী শেনফমগী মথক্তা অহেনবা লুপা মঙা-তরাদি অদুম পীনৈ। মদুদা মখোয় য়াম্না পেন্থোকই। য়াম্মী-য়ামদে করিমতা হায়দে। কনাগুম্বা পীনীংদবা/তৌনরিবসি খঙদবা য়াওবদগী পীরমদবা য়াওরবসু মখোয় করিসু হায়দে। মখোয় ময়াম্বু পান্ননবা লৈরিবা মেনেজর নৎত্রগা দায়ত্ব লৌরিবশিংনসু মখোয়দা পীদবা য়াদে হায়দে। অমুকসু টিফ ফংগদবশিংনা মফমদুদা চঙলক্লিবশিংদুগী পেন্নবা তৌবসি মখোয়গী তৌফম থোকপা থবকশিংগী মনুং চল্লবসু হেন্না থৱায় য়াওশিনবা উৎলগা তৌবনিনা মীশিংনসু মখোয়দা হরাউ হরাউ টিফশিং পীনবনি। টিফ পীবগা ইমান মান্নদবা মওংদা মণিপুরগী ওফিসশিংগী সেক্সনশিংদা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংনা পীদবা য়াদবগী মওংদা পীয়ু হায়রিবসিদি মীচম মীয়াম্না খঙদবা মওংদনি। অদুনা তশেংনা হায়বা তারবদি পীফম শুংথোক থোক্তে। মদুদা তৌরিবা থবক্তু মখোয়না শুফম থোকপা ওফিসকী মরী লৈনবা থবকশিংনি। অদুনা মশা মশাগী মথৌ মশক খঙনা থবক তৌগদবনি। গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা তৌনরিবা থবকশিংগী খেন্নবা খরা লৈবনা অতোপ্পা লোইশঙ অমগী ষ্টাফনা মহুৎ শিনবা য়াদে। অদুবু চপ মান্নবা লোইশঙগী মখাদা লৈরিবা মশা লোইশঙশিংদদি মখোয় মশেল ত্রান্সফর তৌরগা শুবা য়াই। চপ মান্নবা লোইশঙদুগী মনুংদসু অমুক থবক খেন্নবা মওং খরগী মতুং ইন্না তোঙানবা ষ্টাফ খায়দোল্লগা খরা মান্নদবা থবকশিং পায়নরিবনি। খুদম ওইনা, এস দি সী অমগী ওফিসতা লৈরিবা সী এম (সার্কল মন্দল) খরা লৈবশিংগী মরক্তা ওফিসতুনা কোনবা জুরিসদিক্সনদুগী মনুংদা লৈকায় খরা খরা খায়দোল্লগা মদুগা মরী লৈনবা ইঙ্খোলগী থবকশিং ওফিসিয়েল রেকোর্দ ওইনা থম্নবা পাট্টাদার অমনা মথৌ তাবদগী ওফিসতুদা লাক্লগা জমাবন্দি কোপি অমা লৌজগে, ম্যুটেসন, পার্টিসন তৌজগে হায়বসি মরী লৈনবা ওফিসতুগী ফিল্ড ষ্টাফশিংনা তৌরগা মথৌ তারবদি ওফিসরশিংগী খূৎয়েক হায়বদি অয়াবা লৌবসি ওফিসকী মথৌগী মনুং চনবা থবকশিংনি। অসিগুম্বশিং লৈবনা গভর্ণমেন্টকী থৌমী অমা ওইনা থবক তৌরিবনি। মীতোপ অমনা হেক্তা তৌবা য়াবা থবক নত্তে। মরম অদুনা অদুগুম্বা থবকশিংদুগীদমক ওফিসতুদা লাকপা মী অমদগী অকক্লবা শেনফম লুপা অসুক পীয়ু হায়দুনা নিবা হৌনদে। মুন্না খন্থবা তারবদি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। মখোয়না গভর্ণমেন্টকী তৌরিবা থবক্তু 'গভর্ণমেন্ট সার্ভেন্ট' ওইরুবগীনি। মখোয়শিংদি কন্ত্রিদুগী/ষ্টেটশিংদুগী য়াইফনবা থবকশিং তৌগদবনি। মখোয়গী অশেংবা মপূশিংদি মীচম মীয়ামশিংনি। মীচম মীয়াম য়াওদনা গভর্ণমেন্ট লৈবা য়াদে। ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী কন্ত্রি খুদিংমক্তা মাগী মাগী কন্ত্রিদুগী চৎনবীগী মতুং ইন্না মীরেপ মীখল তৌবদা পার্টি অমগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিংনা মশীং য়াল্লগনা মখোয়না লৈঙাক্তুগী চুপলি পায়রগা গভর্ণমেন্টকী থৌরম থৌদাগী অকক্লবা থৌদাংশিং লৌনবনি। ঙমদ্রগনা আইদোলোজি মান্নবা পার্টি খরা পূনশিল্লগা য়ানশিন্নবা গভর্ণমেন্ট (কোলিসন গভর্ণমেন্ট) শেম্মিন্নবনি। অদুনা অমুক গভর্ণমেন্ট পায়রিবা কাঙবুশিংসু মখোয়দা শিন্নবা মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লৈবাক্তুগী মপূ ওইরিবা মীচম মীয়ামদগী ওনশিল্লগা শেল লৌবসি মুন্না কুপথনা খন্থবা তারবদি তৌহৈদবা মচৎনি। অঙম অথৌ, অচৌ অশাংশিংনা থবক হাপ্পদা, ত্রান্সফর তৌবদা - মখল মখলগী মতুং ইন্না লুপা লাক্ষ অহুম মরিদগীনা লাক্ষ য়াংখৈ হেনবগী শেনফম চাউনা লৌনবগী চিংনবা (মথক্তসু হায়জখ্রে - প্রমান লৈতবা অরানবা) লৈরিবসি পুংকোক কোকহন্নবা থিংবসু শুকঙম ঙম্মোইদবনা খ্বাইদগী হন্থবা চাংদা মীপুম খুদিংমক্লা হন্থহনসি হায়না থমজবনি। খঙ হৈরে হায়না হায়জবা নৎচদে। অমুকসু মীচম মীয়াম্না ঙাঙনরিবা ৱাফম মার্কা (সিম্বোল ওইনা হায়জনীংদবদগী) অমনা লৈঙাক্লম্বদগী অতোপ্পা মার্কা অমনা অনৌবা লৈঙাকপা ওইরকপা মতমদা মণিপুরদদি লৌনরিবা-পীনরিবা (করপসন) ময়ামসি অনৌ অনৌবনা খরা হেনবগুম তৌই - হায়নরিবসি কয়াম চুম্বা লানবা হায়বদি খঙদে, অদুম্নমক ওইরবদা তোকঙামক নৎত্রবদি ঙাঙনরিবশিংসিগী মরুমদা অচুম্বা খরদি অদুম শোয়দনা ময়াওরমগনি। মসিগী ওইথোকপা য়াবা মরম অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা চহী মঙাগী টার্ম অমগী মথংদা অতোপ্পা চহী মঙাগী টার্ম অমগী মীরেপ মীখল পাঙথোক্লবা মতমদা মমাঙগী টার্মদা চঙখিবা (চাদিং তৌখিবা) ক্রোরগী শেনফমদগী মথংগী মীখলদনা ক্রোর মশীং হেন্না চঙনৈ হায়বসি লোয়না খঙনৈ। করিগীনো হায়বদা 'ইলেক্সন হায়বসিদি নম্বর গেমনি'। অমবু হেল্লবসু অকাবা হায়বদু ওইগদৌরিবনিনা অসিগুম্বা মশীং খরা হেন্না ফংনবা হোৎনবদা ভোটর অমমমদা লুপা লিশীং অনীদগী তাদনা পীনবা য়াওখি হায়বসিসু কন্সটিটুএন্সি মশেলগী ভোটরশিংনা হায়নরকপদগী খঙনরকখিবা মক্তনি। ঐখোয়না কাউরোইদবা ৱাফম অমদি মণিপুর অপীকপা ষ্টেট অমা ওইবনা কদায়দা করি তৌরিবগে/থোক্লিবগে হায়বসি অনৌবা মতমগী ফরবা নেটৱার্কিংগী, প্রিন্ট মেদিয়াগী, জর্নেলিজমগী চেফোঙ কয়া লৈরবনিনা খঙবদা থোইনা লুদ্রে। নাকল অমরোমদা অমুক, করপসন তৌহনবদা ইনোৎ পীবা কাঙবু খরা অমদি মীরেপ মীখল মতমদা মখোয় খরা মান্নরগা নিশাবু ওইরবসু, করিগুম্বা মরম খরগীদমক শেনফম অদুক অসুক হায়দুনা নিবগী হৈনবীসিনসুনি। মতাং অসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি 'পীয়ু' হায়বনা শেল নিরুবা কাঙবুশিং অদুগা 'পীগে' হায়বনা ভোটর লৈরগা ভোট কাগে খল্লিবা খুদিংমক ভোট মশীং থিদ্রিবমখৈ/তৌনরিবা ময়ামসি "Dishonest or Illegal behaviour অমদি the action of corrupting someone or the state of being morally corrupt হায়বশিংসিগী ৱাহন্থোক মনুং চনবনা 'করপসন' হায়বসি মশানা অদুম তারবনি। মসিদবু করম্না করপসন থিংবা ঙমগদগে। মসিবুনি 'হুরানবনা হুরানববু ফারবদি কনানা বিচার তৌগদগে' হায়বা ইরমদমগী পাউরৌ লৈরল্লিবসি।

নাকল অমরোমদনা, ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসলশিংনসু ষ্টেট ষ্টেটশিংদা তৌনরিবশিং খঙলমদবা হৌনদে। মপান্থোংগীদনা মখল কয়াগী ওবজার্ভরশিং, মীখলগী মতমদা থাদুনা য়েংশিলহল্লবসু শেনফম চাউনা পুথোক পুশিন তৌবদা থেংনরগা ফাবা, চাদিংগী হিসাব য়েংবসিদি চেখক্তগীনি হায়না লৌবদা তশেংনা ফিল্ডদা তৌনরিবসিদি মসিগী ওন্না তৈনবদনি। অদুনা তশেংনা হায়বা তারবদি অঙাংদা হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংহনবগুম ওইনা থোকপগুম্বনি। অদুম ওইনমক ইলেক্সন কম্মিসনগী ওইনদি মণিপুর য়াওনা অতৈ ষ্টেটশিংদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনশিং, কাঙলোন চুম্না মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়ফম থোকপনিনা হায়বনি। হৌবদগী হৌনা করপসন থিংবা ঙম্লক্ত্রবসিদা কনানা করম্না করপসনবু থিংবা ঙমগনি।